# অতোম খুমন ঃ মপান্থোংদা উথোক্লুবসু থম্মোয়নুংদা ওমচাক্লরিবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী খুল অমা

খুঙ্গংগী খোল্লাউ ঃ ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম



কোয়লাস অমুক্তা থাদ্রিবা অতোম খুমনগী লম্বী

**শুপ্নতংগী** মীওই ১৪৬ খক লৈবা অপীকপা খুলনি অতোম খুমন। নুপা ৬৯, নুপী ৭৬ খক লৈবা খুলসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খুল ১৪০ রোমগী মনুংদা খ্বাইদগী শোথবা খুল ওইরে। লাইরিক হৈতবগী চাংদসু খ্বাইদগী ৱাংবতা নত্তনা লৈঙাক্কী শিন্মী অমখক লৈদুনা (৪ লৈরম্বদগী ৩ দি রিটায়ার্ড ওইখ্রবা) রেকোর্দ ওইরি। লম্বী থোং, ইথৈ লৌখোং, চানবা ঈশিং অমদি ইলেক্ট্রিসিটিগী ফীভমদসু খ্বাইদগী শোথবা লমদম অসিগী খুঞ্জাশিংনা কৈদৌঙৈ মণিপুর লৈঙাক্কী মীনুংশি লাক্কদগে হায়না ঙাইহৌরি, নোংগৌবিনা ঈশিং ঙাইবগুম।

লমশাং সব দিভিজনগী মনুং চনবা সেকমাই কেন্দ্রদা লৈবা খুলসিগী মমিং থোনখিবগী মতাংদদি খুঞ্জাশিংনা অমত্তা মমূৎ তানা খঙদবগুম তৌই। লাইরেনকাবী গ্রাম পঞ্চায়েটকী মনুং চনবা খুল অসি য়েংবদা অৱাবগী মমি তাবা উদ্রবসু খুঞ্জাশিং অদুগী থম্মোয় মনুংদা ওমচাক্লুবা, খোইশাওনবনা পীক থন্না লৈহৌরি।

ইম্ফাল জিরি লম্বী, নেসনেল হায়ৱে ৫৩ দগী নোংচুপ লোমদা ইম্ফাল শঙাইথেল লম্বীদা কিলোমিটর ১৫ রোম চৎলগা লৈবা খুল অমনি। পাৎশোই লমখাইদগী মাক্লং, সাইরেম ফাওরগা অতোম খুমন লৈ। শাইরেম, তাইরেনপোকপী, ফয়েং, খোঙাখুল, পোলাংসোই, কাংদবী, হাওরং কাইরেননচিংবা খুলশিং অসি অতোম খুমনগী নাক য়েৎতা তাবা খুল ঙাক্তনি।

অৱাৎপতনা পীক থল্লবা খুলসিগী অৱাৎ অপাশিং লৈঙাক্তা মীৎয়েং চঙবীনবা কয়ারক হায়জখ্রবসু মরী লৈনবা মীওইশিংনা থৌশাবীদে। খুঞ্জাশিংনা শেল খায়গৎনদুনা অৱাৎ অপা লৈবশিং মথং মথং লৈশিনবা লেপত্রি। মীচম মীয়ামগী মপী মপানি হায়রিবা লৈঙাক্লা মীনুংশিগী মীৎয়েং চঙবিদ্রবনিনা হিংবা ঙম্লগা হিংলসি হায়বা ৱাখল খনবা হৌহৌরে। মখোয়না ৱাকৎপদা তাবিদবগী খ্বাইদগী মরুওইবা মরমদি খুলসিদা ভোটর মশীং য়াম্না লৈতবগী ওইরম্লে। ভোটর মশীং ৱাৎপনা খুলগী অৱাৎ অপা অমা হেক হায়জরুবদা থংনবা খুলশিংগা পূল্লগা তৌসি হায়রকপদা নীংবা হেক্তা কাই। নীংবা কায়মনবদগী ইকায়রক্তুনা ঙসিদি তৌনিংলগা তৌ তৌনিংদ্রগা তোকউ হায়বা ফীভমদু য়ৌরে খুঞ্জাশিং।

অপূনবা মীশীং ১৪৬ লৈবগী মনুংদা ভোটর চনবা মীগী মশীংনা ৯৫ খক্তনি। মসিগী মনুংদা অতোপ্পা খুলদগী মফমদুদা য়ূম পাল্লকপা চহী ২০ হেল্লবা মৌ কয়া ভোটর লিষ্টতা চনবীয়ু হায়বা য়াদনা লৈরি। মৌশিং অদুনা পোকপা মচাশিং ময়ূম পানবফাওবা য়াওখ্রে। অতোপ্পা খুলদা পানখিবা মচানুপীশিংদি ভোটর লিষ্টতা য়াওখ্রে হায়বগী ৱাকৎসু লাক্লি। ভোটর লিষ্ট চন্দ্রিবা মৌসি ১৫ রোমনি। মখোয়সু শাওনিংবদগী তুমিন লৈরবনি হায়। খুলসি লৌমী শিন্মীনা নম্না লৈবা, লাইরিক লাইশু হৈবগী চাং নেম্বনা গবর্নমেন্টনা থাদরকপা চাওখৎ থৌরাংগী স্কিমশিং থিবিনবা মীসু লৈতে। অদুনা মীওই অমদগী ফংফম থোকপা চাকথুং অয়াম্বনা ফংবা ঙমবনি। খুলসিগী ওইনা স্কুল টুয়েল্ভ পাস তৌবনা খ্বাইদগী ৱাংবা মহৈগী থাকনি। লায়রবা মরম্না মমা-মপাশিংনা মখা তানা লাইরিক তমহনবা ঙমদ্রবনিনা লৈঙাক্কী ওইবা থবক তৌবগী চাংসু ৱাংলি। আসাম রাইফলস ওইবা মীওই ২ অদুগা প্রাইমারি টিচর ২ লৈবগী মনুংদা ৩ দি রিটায়ার্ড চংখ্রগা হৌজিক হৌজিক এ আর অমখক থবক তৌরি। খুলসিগী মহৈগী থাক নেম্লবসু খুলসিদা ময়ূম পাল্লকপী মৌ মরিদি বি এ লোইবা য়াওরে। মখোয় মরিদুদি ইরেংবম ওংবী শান্তি মপুরোইবা বিজেন, ইরেংবম ওংবী অমানা মপুরোইবা শান্তিকুমার, ইরেংবম ওংবী রেবতি মপুরোইবা ইবোমচা অমসুং ইরেংবম ওংবী মোনিকা মপুরোইবা মোহোনচাং কৌই।

খুলসিদা ভোটর চনবীয়ু যাদবা মৌ ১৫ লৈবগী মথক্তা অপূনবা ভোটর ৯৫ লৈবা খুলসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা জোব কার্ড পায়বা মীওই শুপ্পগী ৩৯ খক লৈ। বি পি এল কার্ড পায়বনা ৬ খক্তনি। অতোনা কনাদা পীথোক্লুবগনো হায়বা খুঞ্জা অমতসু খঙদেহৈ। পঞ্চায়েটকী মেম্বর অমতং থম্লবা ভোট লেপ্পুবসু মীশীং ৱাংপনা কাবা ঙমদে।

ৱার্দ মেম্বর থোক্লুবা অদুগা মায় পাকখিদ্রবা হৌজিক্লা অতোম য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা ইরেংবম মোচানা হায়, চহী কয়াগী মমাঙদগী খুন্দা লৈতাদুনা লৈরক্লবা খুল অসি মতম মতমগী চাওখৎ থৌরাংগী খুদোংচাবা অমতা ফংবা ঙমদ্রি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি মীশীং ৱাৎপনা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা থৌশাবা য়াম্না ৱাৎলি। খুলসিদা লাইরিক লাইশু হৈবা মীগী মশীং ৱাৎপা, নাকল অমরোমদা লাইরিক লাইশু হৈবশিংনা ইম্ফাল লোমদা ময়ূম হোংনখিবদগী এদ্যুকেশনগী মঙাল য়াম্না ৱাৎলি। মহাক মশাসু পঞ্চায়েটকী থবক্তা য়াওদুনা খুলসিগী চাওখৎ থৌরাং খরদং ওইরবসু মেনখৎপা ঙম্নবা চোঙথোকপনি। অদুবু মীশীং ৱাৎপনা কাবা ঙমদে। অতোম খুমনগী অৱাবগী ৱারীদি তম্বগী লোইবা নাইদে। অদুনা লীনিংদ্রে, তম্নিংদ্রে কনাদসু হায়না ফোঙদোরকই।

রাইট টু এদ্যুকেশন এক্টকী মখাদা কাচিন কোয়া শিনবা থুংনা মীপুম খুদিংমক লেম্না মহৈ তমহনবা (ফ্রি এন্দ কম্পলসরি এদ্যুকেশন) হায়বা ৱাফমদুদি খুলসিগী ওইনা য়াওদ্রিবরা খল্লি। মফমদুদা অঙ্গলৱাদি সেন্তর অমত্তা লৈত্রি। কুমজা ১৯৬১ দা শাখিবা অতোম খুমন প্রাইমারি স্কুল অমদি লৈ। স্কুলসিদা ক্লাস ৱান্দগী ফাইভ ফাওবা লৈরবসু ক্লাস ফাইভতা মহৈরোয় অমতা লৈরক্তবা চহী ফনা য়াল্লে। স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টর ওইবা দল্লিয়ু কালিদাসনা ফোঙদোরকপদা খুলসিগী মীশীং ৱাৎপা অমদি অফবা লন্নাই স্কুলশিংদা চৎখিবনা গভর্ণমেন্ট স্কুলসিদা মহৈরোয় ৱাৎপনি। মহাক্কী মমাঙদা পুরম্বা হেদ মাষ্টরশিংনা থৌশাদবা কয়াদগী স্কুলসি শিথখিবা ওইরম্বা য়াই। হৌজিক স্কুলসিদা মহৈরোয় ২৫ রোম লৈ হায়রদুনা মমা মপাশিংনা মখোয়গী অপাম্বা স্কুলদা তমহনগে পুখিবদা মখোয়না করিসু হায়বা ঙমদে হায়খি।

খুলসিগী অৱাৎপা মরক্তা চান্না থক্লুবা ঈশিং মরাং কাইনা ফংদবসিনি। তাইরেনপোকপী ৱাটর রিজার্ভরদগী খুলসিনা থা/থাগী শেনখাই তৌরগা ঈশিং লৈরি। অতোম য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লব (এ ৱাই দি সি) গী প্রসিদেন্ট ইরেংবম হেরোজিৎনা হায়, ইমুং অমদগী নোংমদা লুপা ১০ দগী ২০ ফাওবা শেল খাইনরগা থাগী ওইনা পীরি। অতোম খুমনগী লম্পাক্তা মীয়াম্না ঈশিং শোকনৈ। মফমসিদসু ঈশিং তুংশিন্নবা টেঙ্কি অমা শাবা ঙমদবদগী বিলিভর্স চর্চনা দোনেট তৌবিরক্তুনা ঙসিদি মীয়াম্না নুংঙাইনা শীজিন্নরি।

ইলেক্ট্রিসিটিগী মতাং পল্লদুনা চহী খরা সাইরেম খুলদগী তাংজদুনা মৈ কোৎলম্মী। ত্রান্সফোর্মর লাপ্পা অমদি কঞ্জুমর য়াম্বনা মৈ থাল্লবসু ইঙান ঙানদে। দি ও তাবা হায়বদু হেক্তা ওই। ত্রান্সফোর্মর অমতং লৈঙাক্তগী ফংনবা হোৎনবদা য়াম্না ৱাই। মতম য়াম্না চংখি। ফংমনদবদগী তৌদবা য়াদবা অমা ওইনা খুঞ্জাশিংদগী শেল খাইনরগা লুপা লাক্ষ ১.২০ লোম চঙনা খুলসিদা ত্রান্সফোর্মর অমা খিনবা ঙল্লে। অদুবু মৈদি হৌজিকসু অয়াম্বা মতমদা লাক্তে। নোংমা নীনি ঙাল্লগা নুমিৎ ৭/৮ রোম মৈ লাক্তে। খুলগী অৱাবসে তাইবঙ মপুনা উবিরৱা খঙদে, হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৭ তা 'মঙাল রুরেল' কৌবা লন্নাই লূপ অমনা খুলসিগী ইমুং খুদিংমক, লম্বী লমজাউ অমদি স্কুলগী মফম খুদিংমক্তা সোলর হোম লাইটিং সিষ্টেম অমদি এল ঈ দি টি ভি পীদুনা মঙালগী ঈপাক অমা উহনবীরে। ঙসিদি পীকখ্রবা খুলসি নুমিদাংদা অমম্বা হায়বদু খঙদ্রে। পুমঙাল ঙাল্লে। মসিগীদমক্তা খুঞ্জাশিংনা মঙাল রুরেলগী থৌপুবশিংবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।



'মঙাল রুরেল'না খুলসিদা সোলর প্লেট য়েন্থোকপা ১সং নুমিদাংগী মতমদা মৈনা পুমঙাল ঙাল্লবা খুলসিগী লম্বী

খুলসিদা সোলর লাইটিং সিষ্টেম পীরিবা 'মঙাল রুরেল'গী ফাওন্দর সুরজিৎ নিংথৌজমদা করিগীদমক খুলসিদা লেম্না সোলর প্লেট পীবনো হংবদা, 'ফাইট এগেন্স এনর্জি পোভর্টি' হায়বা মিসন অসিগী মখাদা ইন্দিয়াগী ওইনা খুল অমগী ইমুং খুদিংমক মৈ ঙালহনবা ঙম্বা ষ্টেট লৈ। বিহার, উরিষ্য, উত্তর প্রদেসনি। নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংগী মরক্তদি অসুম্না তৌবা অমত্তা লৈত্রি। খ্বাইদগী লায়রবা খুঞ্জাশিংনা নম্না লৈবা খুল অমগী ইমুং খুদিংমক্তা মৈ ঙালহনবা হায়বসি সোলর লাইটকী থবক তৌরিবা ফার্ম অসিগী পান্দমনি। পান্দম অসিগী মখাদা গভর্নমেন্টগী মতেং য়াওদনা ফার্ম অসিনা লুপা লাক্ষ মঙা পুথোক্তুনা অতোম খুমনদা সোলর প্লেট লেম্না পীনবা ফিরেপ লৌবনি। খুল অসিতা নত্তনা মখা তানা চৎলিবা চহী অসিগী মনুংদা খুল কয়া অমসু মৈ ঙালহন্নবা থৌরাংসু তৌরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

খুলসিগী সোসিয়েল ৱার্কর তেকচম বিজয়না হায়, পীকখ্রবা খুলসিগী লম্বী থোং অসি ফীভম ফৎত্রে। চহী ৫০ রোম হেনবসি হেক খঙলকপদগী কোইলাস থাবা লম্বী চৎপা ফংদ্রি। লৈঙাক্লা শেমজিনবীদবদগী লৈকায়না শেল খাইনরগা লম্বী তৎতনা শেন্লী। মরক মরক্তা নূং খরা থাবিবদি য়াওই। নোংজু থা মতমদনা অমুক্লা হেন্না ৱাই। লম্বী পূম্বা লৈখোম লৈনাং থোকপনা স্কুল মহৈরোয় অমদি খুঞ্জাশিংনা অৱাবা কয়া মায়োক্লে। খুল অসিগী ওইনা পেসেঞ্জর সার্ভিস লৈতবনা খুলসিদগী মাক্লং ফাওবা খোঙনা থোকই। চহী ৫ রোমগী মমাঙদা কেন্দ্রসিগী এম এল এ ওইরম্বা হৈখাম বোরাজাওনা নূং অমুক্তংদি থাবিরল্লে। মসি নৎতনা কেন্দ্রগী মীহুৎ অমত্তনা শেম্বীদ্রি। তঙাইফদবা মতমদা খুঞ্জাশিংনা পুল্লপ থোক্তুনা লম্বী শেম্বগী থবক তৌই। লায়রবা লৌমী শিন্মীনা নম্না লৈবা মরম্না মতম মতমগী লৈঙাক্লা পীথরকপা খুদোংচাবশিং তান্নবা মী ৱাৎলি। কান্নবা লৈ হায়বদি খঙই অদুবু লৌবদি হৈতে।

পীক্লবসু পীক্লা খুল অমা লৈরবদি ৱেটিং সেদ অমা ফাওবদি লৈফম থোকই। খুনগী কম্যুনিতি হোল অমা শাবিবা ফৈ, খুলগী ওইনা ক্লব বিল্ডিং অমতা লৈতবনা অতোম খুমন প্রাইমারি স্কুলগী ক্লাস অমা ৱায়রগা মতম খরগী ওইনা শীজিন্নরি। মণিপুরগী খুল খুদিংমক্তা অশি অনা য়াওরকপদা পোৎলোইফম লোইনা লৈনখ্রে। খুলসিগীদি লৈত্রি। অনা লায়েংদা তেংবাঙ পীবিনবা আশানচিংবা লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লে। অনা অয়েক য়াওরকপা মতমদা রিমস য়ৌনা পুখৎতবা য়াদবগী তঙাইফদবা লৈরে। পি দি এসকী পোৎলমশিং ফংই চাং নাইদে, এন আর ঈ জি এসকী থবকসু চাং নাইনা ফংদে। কনাদা ৱাকৎকদগে হায়বা খঙদ্রে।

ষ্টেটসিগী মপী মপা ওইরিবা লৈঙাকপশিংনা মীৎয়েং চঙবীদুনা চাকথুং ফিথুংদ্রবা খুঞ্জাশিংগী অৱা অনা অথুবা মতমদা মেনখৎপীদুনা সিটিজেন অমনা ফংফম থোকপা হকশিং অদু খুঞ্জাশিংদা ফংহনবীবগী তঙাইফদবা লৈ।❍

# চগোক ফবী ষণবী করম্না খঙগনি



ডা: সরাংথেম জেস্মারাণী

**হায়নবা** লৈ ষণবী অমনা চহী অমদা মচা অমা পোকই। অচুম্বনি ষণবী অমনা থা ১২-১৩গী মনুংদা ষন্নাউ অমদি পোকই। চগোক ফবী ষণবী অমা ওইহন্নবা ষণবুগী থৌদাং য়াম্না চাউনা লৈ। ষণবুনা মতম চানা হীট লাকপা খঙদোকপীহৌবা, অফবা মখলগী ধরানা মচা লৌবিবা, হাতমশিংবু নীংথিনা য়োকপী শেন্নবীবা, অহল ওইরবা ষণবীবু হাতম্না মতম চানা মহুৎ শিনে দাকপিবা, গর্ভ পুরিঙৈ মতম অমদি চবোকপা মতমদা অকায়বা কয়া লাক্তনবা নীংথিনা শেন্নবীবা, গর্ভ পুবা মতম ঙন্না খঙদোকপীবা, গর্ভ পুবগা মরী লৈনবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লুবা হোৎনবা অসিনচিংবসি তৌবীগনি। মসিগী মথক্তা ষণবুশিংনা মশাগী ষণবীগী রেকোদ খুদিংমক থম্বীগনি। মচা লৌবগী রেকোর্দ থম্বসিনা ষণবীগী মরমদা অমদি ষণবীগী ফরটিলিটিগী মরমদা খঙবা ঙমহল্লি।

**রেকোর্দ থম্বগী কান্নবা ঃ**

১) ষণবীগী মমাঙগী মচা লৌবদা থেংনখিবা অশোয়বা কয়া অমা খঙবা ঙমহল্লি।

২) মসিনা মথংগী মচা লৌদ্রিঙৈদা লাওংগী মতুং ইন্না লায়েংহৌরগদি তেক্তা কায়দনা হেন্না চবোক ফবা ঙমহল্লি।

৩) করম্বা মতমদা হীট লাক্কনি হায়বা খঙদোকপা ঙমহল্লি।

৪) হীট লাকপগা রেগুলর ওইবরা নৎত্রগা ওইদবরা খঙদোকপা ঙমহল্লি।

৫)চারোন নাওরোন্নবদা অশোইবা কয়া অমা ঙন্না খঙদোক্তুনা মতম চানা লায়েংবা ঙমহল্লি।

**অরিবা ষণবীশিং হাতম্না মহুৎ শীন্দোকপা ঃ**

ষণবুনা ষণ লোইবিরিবসি অয়াম্বনা শঙ্গোম অমদি মশা চান্নবগীদক্তনি। শঙ্গোম হেন্না পুথোক্লুবা হোৎবদা অশোই অঙাম য়াওদনা ষণবী লোইবীগনি। করিগুম্বা ষণবীনা মশা পোত্থোক হন্থরক্লবগদি থম্বদা অমাংদা অমা ওইবনা অফবা হাতম্না মহুৎ শীন্দুনা অরিবা ষণশিং মশা চান্নবা য়োম্থোকখিবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। হাতমশিং নীংথিনা লোইনবীগদমক ষণবুশিংনা মখাগী থৌরাংশিং অসি পায়খৎপীগনি:

১) হাতমগী চহীগী মতুং ইন্না লৈফম অমদি চাফম নীংথিনা থম্বীগনি।

২) হাতম্না থা ১৫-১৮ য়ৌরক্লগদি হীট লাকপগী মতম য়ৌশিল্লক্লবনিনা অয়াম্বা মতমদা ষণবুনা য়েংশিনবীগনি।

৩) হীট ঙন্না লাক্লগসু হাতম্না থা ১৫-১৮ শুরবা নৎত্রগা কে জি ২০০দগী ২৫০ লুন্নবদি মচা লৌবিবা য়ারে।

৪) গর্ভ লৈরবা হাতমশিং নীংথিনা পীজ পীথক তৌবিগনি। মসিনা হাতমশিং অমদি পুক্লুংদা লৈরিবা ষন্নাউগী হেন্না মশা ফহল্লি। হাতম অমদি পুক্লুংদা লৈরিবা ষন্নাউ চাউবা লেপত্রিবা মরম্না হেন্না মচী ওইবা মচীঞ্জাক পীজবা মথৌ তাই।

**শঙ্গোম থোকপী ষণবী লোইবা ঃ**

শঙ্গোম শুল্লিবা মচা চেনবী ষণবীসি মচা লৌখ্রবা মতুযদা গর্ভ পুরগদি মচা পোক্ত্রিঙৈ থা অনীরোম ৱাৎলিঙৈদগী হান্নগী মচাদু মখোম খায়বিবা য়াম্না মথৌ তাই। ষণবীদা থা অনী ৱাৎলিঙৈদা মখোম খায়বসি অৱাবা অমা ওই। অসিগুম্বা ষণবীদা মখোম খঙখায় খায়দোক্লগদি মশাদা অমদি মচাদা অশোইবা কয়া অমা লাকই। মরম অসিনা ঐখোয়না তপ্প-তপ্পা খায়দোকপা অমা দরকার ওই। ষণবী অয়াম্বনা শঙ্গোম শুল্লিবা মতমদা মফোনগী শরুক পীজনৈ। হায়রিবা মফোন পীজবগী চাংশি নুমিৎ খুদিংগী খরা-খরা হন্থবিরগা অমদি শঙ্গোম শুমদোকপগী চাংসু অসুম-অসুম হন্থবিরগা লেপ্পীগনি। শঙ্গোম শুম্বসি নোংমদা অনীরক হায়বদি অয়ূক্তা অমুক নুমিদাংৱাইরমদা অমুক শুম্মী। মসিসু নোংমদা অমুকরক শুম্বীরগা খরা খরা-খরা অসুম-অসুম নোংমা কাল্লগা নোংমদা অমুক শুমদোকীপবা অদুগা পুরা শুম্বা লেপ্পগা খোমজিন্দা এন্টিবাইওটিক্স কাপ্পীরগা পুরা শুম্বা লেপ্পীগনি। শঙ্গোম শুম্বা লেপ্পবা মতুংদা গর্ভ পুরবী ষণবীদা হান্না পীজরম্বা মফোনগী শরুক্তগী কে জি ১.৫ দগী ২দা হেনগৎত্তুনা মচা পোক্ত্রিফাওবা পীজবিগনি।

**হীট লাকপগী মতম খঙদোকপাঃ**

অয়াম্বনা চাদা ৯০-৯৫গী ষণবীদি মতম চানা হীট লাকই। হীট লাকপা মতম চানা খঙদোকপা ঙম্লগদি মতম চানা মচা লৌবা ঙমগনি নিংথম থাগী মতমদা অয়ূক পুং ৬-৭ ফাওবগী মনুংদা য়েংবিরগনি। নুমিদাংৱাইরমদনা পুং ৪.৩০-৫.৩০গী মনুংদা য়েংবিগনি। কালেনগী মতমদনা অয়ূক্কী ওইনা পুং ৫.৩০-৬.৩০ফাওবা অদুগা নুমিদাংৱাইরমগীনা পুং ৫.৩০-৬.৩০ ফাওবগী মনুংদা য়েংবিগনি। হীট লাকপগী মতমসি পুং ১৬-২৪ ফাওবা ওইগল্লি। হীট লাকপা লোয়রগা মতুং পুং ১০-১৪গী মনুংদা ওভরিদগী মরু থোরকই। হায়রিবা মতমসিদা মচা লৌবীগনি। হীট লাকপগী মওং-মতৌসি অঙনবদদি কয়া উবা ফংদে। অদুবু মওং-মতৌ খরা হায়বদি অতোপ্পা ষণগা লৈমিন্নরগদি অতোপ্পা মনাক নকপা ষণদা মনম নম্বা, চোংখৎপা, খোংবা, চনিং-থক্লিংদবা, মপান্থোংগী শরুক্তা ঙাংশিল্লকপা অমদি পোমতক তৌরকপা, অরুবা মচুম তারকপা, পুং ৬-৮ লৈরবা মতংদা অমুক ষণবীবু হীট লাকপগী মওং-মতৌ শেংনা উবা ফংগনি। মসিদগী ষণবীদু লেঙদনা লেপ্পগা লৈবা উগনি। মসি পুং ১৪-১৬ ফাওবা লৈগনি। মসিগী মতমদা খোংবা, চানিং-থক্লিংদবা, মপান্থোংদগী মচুম তারকপা, শঙ্গোম থোকপী চাং হন্থরকপা অসিনচিংবা উগনি। করিগুম্বা চবোকথোঙদা ঈ য়াওবা মচুম তারকপসু থেংনরগদি নুমিৎ ২-৩গী মমাঙদা হীট লাকখ্রে হায়না লৌবিগনি। মরম অসিনা ষণবুনা নুমিৎ ১৬কী মনুংদা হীট অমুক লাকপ্রা হায়না চেকশিন্না শেন্নবীগনি।

**মচা লৌবগী মতমঃ**

মচা লৌবগী মতম অমদি অফবা মখলগগী মরূ(সিমেন)না তেক্তা কায়দনা মচা ওইবা ঙমহল্লি। ঙন্না মচা লৌবা/থেঙনা মচা লৌবনা মচা ওইবা ঙমহন্দে। মচা লৌবা য়াবগী মতমসি হীট লাকপা লোইরমদাই পুং ৮ ৱাৎলিঙৈদগী মচা লৌবা য়াই। চৎনবী অমা ওইনা অরাইবা মওংদা ষণবী অমনা অয়ূক অঙনবদা হীট লাকপগী মওং-মতৌ উৎলক্লগদি থংগী নুমিৎকী অয়ূক্তা মচা লৌবা য়ারে। অফবা মহয় লাক্লুবগীদমক মচা লৌবা মতমদা অনীরক লৌবিহৌবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। করিগুম্বা মতমদসু হীট লাকপগী মতমসি পুং ২১দগী হেন্না লাকপসু য়াওই। হায়রিবা মতমসিদদি মচা লৌবা মতমদা অনীরক লৌবিগনি। করিগুম্বা মতমদা মচা লৌবদা অশোইবা কয়া য়াওদুনা মচা ওইবা ঙমদবসু য়াওদবা নত্তে। মরম অসিনা মচা কাপ্পীরবদি মফম, মতম চান্না অমদি পারম চুম্না মচা কাপ্পীগনি।

**মতম চানা গর্ভ পুবা খঙদোকপা ঃ**

ষণবীদা গর্ভ পুবগী মওং-মতৌসি নুমিৎ ৪০-৪২ ফাওবগী মনুংদা খঙদোকপিবনা খ্বাইদগী ফৈ। থেঙলবদা থা অহুম(৩)ফাওবগী মনুংদা খঙদোকপিবনা ফৈ। গর্ভ পুবা খঙদোকপা মতমদা খঙ হৈরবা অমনা অমাংথোঙলোমদগী খূৎ হুম্বীরগা য়েংবিগনি। করিগুম্বা গর্ভ পুরমদবা ওইরবদি অখঙ-অহৈ তান্নবিগনি।

**মচা লৌখ্রবা মতুংদা ষণবুদু করম্বা ওইগনি খঙদোক্লুবা মখা থমজরি**

ক) মচা ওইনবগীদমক সর্ভিস মশীং: মসি করম্না খঙগদগে হায়রবদি

মচা ওইবগীদমক সর্ভিস মশীংসি ষণবীদা সর্ভিস পীবা মশীংদগী মর্চা গভ পুবগী মশীং অসি খায়দোক্লগা তারকপা মশীংদু ওইগনি।

অহানবা সর্ভিস পীরগা মচা ওইবসিনা খ্বাইদগী ফবনি অদুবা আইদেল ওইবা মশীংসি ১.৭নি। করিগুম্বা ২.০দগী হেনখ্রবদি ষণবীদু অখঙ-অহৈগা তান্নবীগনি।

খ) গর্ভ হুবগী রেট : মসি ষণবুনা খঙনবা

গর্ভ হুনবগী রেট অসি ষণবী গর্ভ পুরকপদা ষণবীশিং মচা লৌখিবগী মশীংনা পুরিরগা তারকপা মশীংদা ১০০না পুরিরগা তারকপা মশীংদু ওইগনি।

গ) মচা পোকপগী রেট : মসি চহী অমদা পান্নে। চবোক ফবী ষণবী ওইরগদি চহীদা চাদা ৯০গী মচা পুথোকই।

মচা পোকপগী রেট = (৩৬৫ / চবোক অনীগী মরক্কী মতম) X ১০০

ঘ) চবোক অনীগী মরক্কী মতম : ষণবীনা চবোক অনীগী মরক্কী মতমদি থা ১২-১৩ লৈরগদি খ্বাইদগী ফবী ষণবী ওই।

ষণবুশিংনা মতম চানা পীজ-পীথক তৌবিদুনা লু নান্না শেন্নবীদুনা অমদি অফবা মখলগী মরূনা মচা লৌবিহৌরগদি হেন্না চরোন নাওরোন্নবা অমদি চগোক ফবী ষণবী ফংবা ঙমগনি। মসিদসু নত্তনা শঙ্গোম হেন্না পুথোক্তুনা শেন্দোং লৈবদু ঙমগনি।❍

# শিন্মীশিংগীদমক মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্করস ৱেলফেয়র স্কিম

কৈথেল্লাকপম লন্দন



**ইন্দিয়া** লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ লেভরগী মখাদা ইন্দিয়াদা লৈরিবা বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্করসশিংগী অখন্নবা য়াইফ থৌরাংশিংগী মনুংদা মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্করস ৱেলফেয়র বোর্দনা কন্সত্রক্সন ৱার্করসশিংগী খুদোংচাবা কয়া পীননবগী থবক কয়া পায়খৎলি। খুদোংচাবশিং অসি ফংনবগীদমক লমদমসিগী ৱার্করসশিংনা "মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্করস ৱেলফেয়র বোর্দ" ডি সি ওফিস কমপ্লেক্স লম্ফেলপাৎতা মিং চনবীগদবনি। শিন্মীশিংনা মিং চনবদা চঙগদবা অমদি কান্নবা ফংগদবশিং শল্লপ্পা থমজরি।

কান্নবা অসি অখন্নবা য়ূম কৈ শাবা, ওফিস, লম্বী-থোং, দামনচিংবা শাবদা শরুক য়ারিবা চহী ১৮ দগী ৫৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিং ওইগদবনি। হায়রিবা শিন্মীশিং অসি মখল অহুম থোক্লা খাইদোকই।

১) স্কিল লেভর (মিষ্ট্রি), ২) সেমি স্কিল লেভর (জুগালি) অমসুং ৩) নন স্কিল লেভর (হেলপর) নি।

শিন্মীশিং অসিগী থাগী ইনকম চাওরাক্লা স্কিল লেভরগীনা লিশীং তরুক, সেমি স্কিল লেভরগীনা লিশীং মঙা অদুগা নন স্কিল লেভরগীনা লিশীং মরি ওইগদবনি।

১) পোকপগী শক্তাক চে (বার্থ সার্টিফিকেট) : স্কুলগী সার্টিফিকেট (ক্লাস আইত্তগী তাদবা), আধার কার্দ নৎত্রগা চেনিং, ম্যুনিসিপালিটিনা পীবা মেদিকেল ওফিসার, চীফ মেদিকেল ওফিসারনা পীবা।

২) ফোটো : পাসপোর্ট সাইজ অমা অমসুং ষ্টাম্প সাইজ অহুম।

৩) রেজিষ্টরদ কন্ট্রেক্টর অমনা মাগীদা থবক শুই হায়বগী শকখঙ চে সহি অমদি সিল্ড য়াওবা নৎত্রগা মতম শাংনা থবক শুরক্লবা য়ূম্বু অমনা পীবা শকখঙ চে।

মথক্কী চে চাংশিং অসি শুনা মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্করস ৱেলফেয়রগী ওফিস দি সি লম্ফেলদগী লৌবা ফোর্ম মেনশিল্লগা থাজিনগনি । ফোর্ম থাজিনবদা শুপ্নগী রেজিষ্ট্রেসন ফি লুপা ৫০ খক থিগনি। মদুগী মতুংদা আই কার্দ ফংগনি। কার্দ লৌবদা শেল তিংলোই। তৌবতবু রেজিষ্ট্রেসন তৌরবা শিন্মী অমনা থা খুদিংগী লুপা ২/২ থিগদবনি। মদু চহী অমগী মাঙজৌননা থিদোক্লবসু য়াই। করিগুম্বা ফি থিদ্রবদি খুদোংচাবশিং লৌবা য়ারোই। অদুগা শিন্মী অমনা য়ামদ্রবদা চহী অমগী মনুংদা নুমিৎ ৯০ নিদি মরী লৈনবা শিনফমদা থবক শুগদবনি।

**শিন্মীদুনা ফংগদবা কান্নবশিং :**

১) শিন্মীদুনা চহী ৬০ হেক শুরকপগা থাগী পেন্সন লুপা ৫০০/৫০০ ফংগনি।

২) শিন্মীদুগী মচা অনী মহৈ মশীল তম্বদা পীবা তেংবাঙ

- ক) নর্সরিদগী টুয়েল্ভ ফাওবা — চহীগী লুপা ৫০০০/-
- খ) বি এ — চহীগী লুপা ৭৫০০/-
- গ) এম এ — চহীগী লুপা ১০,০০০/-
- ঘ) এম বি বি এস/বি ঈ — চহীগী লুপা ৩৭,৫০০/-

৩) লায়েংবগী তেংবাঙশেল: করিগুম্বা এক্সিদেন্ট অমদগী হোস্পিটালদা নুমিৎ ৫ নি লায়েংলক্লবদি য়ামদ্রবদা লুপা ৫০০০/- পীগনি। নুমিৎ ৫ নিদগী হেল্লবদি লুপা লিশিং ১৫,০০০/- ফাওবা ফংবা য়াই। মদুগী মতুংদা অনাবদু ডোক্টরনা চাদা ২৫ শোক্লে হায়রবদি লুপা ২৫,০০০/- ফংগনি। চাদা ৫০ শোক্লগনা লুপা ৫০,০০০/- ফংবা য়াই। চাদা ৫০ গী মথক্তা শোক্লবদি লুপা ১,০০,০০০/- ফংবা য়াই।

৪) শিন্মী অমনা মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা শিরবদি মহাক্কী ইমুং মনুং নৎত্রগা নোমিনিদা লুপা লাক্ষ অনী ফাওবা পীবা য়াই।

৫) শিন্মী অমা শিবগী পোৎলোইবদা লুপা ৫,০০০/- পীবা য়াই।

৬) করিগুম্বা য়ূমদা নাদুনা শিরবদি লুপা ৩০,০০০/- ফংগনি।

৭) কার্দ পায়বা শিন্মী অমনা মশা নৎত্রগা মচা নৎত্রগা মাগী নুপী, মাগী নুপা নারকপদা অরুবা লায়না ওইরবদি লুপা ২০,০০০/- দগীনা ৪৫,০০০/- ফাওবা ফংগনি।

৮) শিন্মী অমা মচা পোকপদা লুপা ৬,০০০/- অঙাং অনী ফাওবা পীগনি। লায়েং চৎপদনা লুপা লিশিং ৪/৪ পীগনি।

৯) শিন্মী অমনা মিং চনবা চহী অহুম শুরবদি য়ূম শানবা লোন লৌবা য়াই। হায়রিবা লোন অসি মিষ্ট্রিগী লাক্ষ অনী, জুগালিগীনা লুপা লাক্ষ অমমখায় অমসুং হেলপরগীনা লুপা লাক্ষ অমনি।

**কান্নবশিং করম্না ফংগনি :** মথক্কী খুদোংচাবশিং অসি ফংননবগীদমক মিং চল্লবা শিন্মী অদুনা মতম চানা মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদরস কন্সত্রক্সন ৱার্করস ৱেলফেয়র বোর্দতা এপ্লিকেসন থাগদবনি। এপ্লিকেসন থাবগী মওংসু ইচম চম্মী। শিন্মীদুগী বাইও-দাটা, রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেট, থাগী ফি থিবগী রিসিপ্ট অদুগা থারিবা হীরমদুগা মরী লৈনবা শক্তাক চে। খুদম ওইনা অঙাং মহৈ তম্বগী ওইরগদি অঙাংদুগী স্কুলগী রিদিং সার্টিফিকেট য়াওরগা থাজিনগনি।

অসিগুম্লবা থাগী শেন্থোক য়ামজদবা নোংমগী শুরগা হিংলিবা শিন্মীশিংগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পীথরক্লিবা য়াইফ থৌরাংশিং অসি লেভর দিপার্টমেন্টনা পুকচেল শেংনা হোৎনবীদুনা খুদোংচাবশিং অসি ফংহনবা মথৌ তাই। অদুবু খ্বাইদগী লাইবকথীবদি শিন্মীশিংনা রেজিষ্টর তৌনবা হোৎনবদা মীওই খরনা মরম চাদনা শেল চাউনা চাউনা লৌরে পাউ তাখ্রে। মসিমক অশেংবা ওইরবদি লোইশঙগী মকোক থোংবশিংনা কুপ্পা য়েংশিনবগী মথৌ তাই নৎত্রবদি শিন্মী লোইশঙসু চেন্নরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মসিগা ইরোয়ননা মীয়ামদা পাউ শন্দোক্তুনা মরম চাবা মীওইশিংদা কান্নবা আসি ফংহন্নবা হোৎনগদবনি। লম অসিদা থবক শুরিবা শিন্মীশিংনসু মখোয়গী ফংফম থোকপশিংদু পরম চুম্না লৌনবা হোৎনগদবনি। কন্সত্রক্সন ৱার্করস নত্তবশিংনা কন্সত্রক্সন ৱার্করস শাজিন্নদুনা খুদোংচাবা অসি লৌহল্লোইদবনি। অরোইবদা মণিপুরগী অপূনবা মীশীংগী চাদা ৮০ গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংনা শিন্মী ওইবা লমদমসিদা মণিপুরগী লৈরিবা শিন্মী লোইশঙগী ফীভমসিদি পূক্লিং নুংশিনিংঙাইনি। খ্বাইদগী মরু ওইনা শিন্মীশিংনা মখোয়গী ওইবা লোইশঙ অমা লৈ হায়বফাওবা খঙদবগুম তৌরি অদুগা লোইশঙনসু শিন্মীশিংগীদমক ঐখোয় লৈরি হায়বা খঙহন্নবা হোৎনদবগুম তৌরি। হৌখিবনা হৌখ্রবসু হৌজিক্তি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শেল্লিবা শিন্মীশিংগী য়াইফ থৌরাংশিং অসি মণিপুর লৈঙাক্লসু মীৎয়েং চঙবীদুনা শিন্মীশিংগীদমক করিগুম্বা খরা তৌবা মতম ওইরে। শিন্মী চাওখত্তনা লৈবাক অমা চাওখৎপা ওইথোক্লোই।❍